# কুমজা ২০২১ অসি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা চহী অমা ওইরগনি হায়না ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী আইকোন বালানা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৫(এজেন্সী):
চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা য়ুরোপকী লৈবাক অমা ওইরিবা স্কোটলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রেঞ্জর্স এফ সিদা শান্নবা হৌখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল শান্নবা ঙমদুনা লৈবাক অসিগী পুৱারী শেমখ্রবী মণিপুরা মচা ঙাঙোম বালানা ফোঙদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২১ অসি মহাক্কী ওইনা য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা চহী অমা ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙাঙোম বালানা হৌজিক হৌজিক স্কোটিস ৱুমেন্স প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী রাউন্দ ৭ শান্নবা লোয়শিনখিবা মহাক্কী টিম অদুনা পোইন্ট ১৮ ফংলগা গ্লাসগো সিটিগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা মখোয়না হেন্দুনা টিম ৮গী লম্বা অদুদা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙল্লি।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ৭তা মাদরৱেলগা শান্নখিবা মেটতা ঙাঙোম বালানা মহাক্কী ওইনা রেঞ্জর্স এফ সিদা শরুক য়ারক্লবা মতুং অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইন্দিয়াগী ওইনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙম্বা শান্নরোয় অদু ওইবা


স্কোটলেন্দা অকনবা ট্রেনিং চত্থরিবী ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোলগী আইকোন বালা

ঙল্লি। মহাক্না শরুক য়ারিবা রেঞ্জর্স এফ সিনা মখোয়গী ৮শুবা লীগ মেটচ অদু কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১৭তা হার্টসকা লম্বা তৌনগদৌরি।

বালানা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী চেনেল অমগা অখন্ননা ৱারী শান্নখিবা অমদা মহাক্না রেঞ্জর্স এফ সিদা শান্নবগী অয়াবা ফংলবা মতুংদা লোক দাউন্দ লৈখিবা মরম্না ফিল্ডদা শান্নবা ঙমদনা য়াম্না কুইনা লৈখি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী মশাগী ফিটনেস লেভেল অদু হস্থদনবা মতম পুম্নমক্তা শাজেল তৌদুনা লৈখি হায়না ফোঙদোকখি। লোকদাউন মনুংদা অয়ান্বা মতমদা ময়ুমগা ৱারী মরীক চুম্না শানবা ফাওবা ফংখিদে।

অযুক্তা জোগিং তৌবা লোয়রবা মতুং ফিটনেস সেসন অমা অমুক নুংথিলগী মতমদা ইন্দিয়াগী টিমগা ভিদিও কোলগী খুৎথাংদা পাঙথোকপা য়াওনা থবক চিলহনখি। মশাগী চান্নবা থোং থাক তৌবা মতম ফাওবদা স্কৱাটিং তৌদুনা শাজেল মখাতানা চত্থখি হায়না ফোঙদোকখি।

স্কোটলেন্দগী মীওই অয়াম্বগী হৈনবী অদুনা মহাকপু থৱায় হাপখি। মহাক্না মহাক্কী লৈফম অদুগী মনাক্তা লৈবা পার্কতা জোগিং তৌবা মতমদা চহী য়াল্লবা মীওই কয়া অমসু জোগিং তৌবা থেংনখি। নোংজু মতমদসু অদুম্মক জোগিং তৌখিবা অদু উরুবদা মঙোন্দা থৌনা পীখি। মখোয় মতম হেক ফংবগা শাজেলগী হৈনবী অদুম্মক থম্বা অদুবু মশাদা য়াম্না কান্নবা অমা ফংখি হায়না উন্নবা অদুদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী ওইনা অনৌবা থোঙ অমা হাংদোকপা হৌরবনিনা মহাক্কী মতুংদা অতোপ্পা অতোপ্পা টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয় কয়া অমসুং হোৎনবা লেপত্রবদি য়ুরোপিয়ন ফুটবোল নত্রগা এসিয়াগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগা শান্নবা ঙম্বগী তাঞ্জা অদু ফংলগনি হায়খি।

রেঞ্জর্স এফ সিগী মায়কৈদগী মহাক্কী স্কিলগী থাক অদু য়াম্না ৱাংই হায়না ফোঙদোরকপদা নুংঙাইবা ফাওই। মহাক মশাম্মক স্ট্রাইকর অমা ওইনা হৌরকখ্রবসু মফম অদুদা মহাকপু দিফেন্সিপ পোজিসন ফাওবা শান্নহনবা য়াওখি। অদুবু টিম অদুদা মহাক ৱিং অমদি সেন্টরদগী মায়োক্লবা টিমগী দিফেন্স ৱাল অদু থুগাইনবা হোৎনবনা মরু ওইবা থৌদাং ওইরি হায়না ফোঙদোকখি।

# শান্নবা ঙমদ্রবদি মেটচশিং য়েংবীরগা শান্নরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপীয়ু হায়না স্পোর্টস মিনষ্টির রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে

ঔরাঙ্গবাদ, দিসেম্বর ২৫(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা ইন্দিয়াগী মীওই অমনা শান্নবা ঙমদ্রবদি তোঙান-তোঙানবা গেমশিং য়েংবীরগা মদুদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুবু পুক্লিং থৌগৎপীয়ু হায়না মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে।

মহারাষ্ট্রগী ঔরঙ্গবাদতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি। ঔরঙ্গাবাদকী থৌরম অদুদা কিরেন রিজিজুনা মফম অদুগী খেলো ইন্দিয়াগী মেদল ফংবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি অতোপ্পা শান্নরোয় কয়া অমগী মমাংদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি, কনাগুম্বা অমনা শান্নবা ঙমদ্রবসু অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা শান্নরিবা মশান্না অদুদা মীৎয়েং তারগা মখোয়বু পুক্লিং থৌগৎপীয়ু হায়বা ৱাফম থমখিবনি।

মশান্না অমা চাওখৎহনগে অমদি মদুবু মীয়াম্না পাম্না শান্নহনগে হায়রবদি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা মশান্না অদু মীৎয়েং তাবা লাকপা মীয়ামগী মশিং অদুনা মশান্না অদু কদায় ফাওবা পাম্নবা মশান্না অমা ওইরবগে হায়বদু খঙবা ঙমগদৌরিবনি। ষ্টেদিয়ম


ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু

খক্তা নত্তনা টেলিভিজনগী খুৎথাংদা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অমা মীৎয়েং তারিবা মীয়ামগী মায়কৈদগী হায়রিবা মশান্না অদুগী স্পোন্সরশিংনা থৱায় য়াওবা হেনগৎলক্কদৌরিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা মখাতারদুনা করিগুম্বা হোক্কি ষ্টেদিয়ম অমদা ভাবক ৮০,০০০ চনবা মফম অমদা শুপ্নগী ভাবক ২,০০০খক মীৎয়েং তারবদি মশান্না অসি কনানা শৌগৎকদৌরিবনো হায়না হংখি। লোয়নননা টেলিভিজনগী খুৎথাংদা মশান্না অমা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌবা মতমদা অয়েংবা ভাবকশিংগী মশিং য়াল্লবদি স্পোনসরশিং অদুনা ওর্গনাইজরদা চেনশিন্দুনা মখাতানা মীয়ামদা উহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা থমখি।

লৈঙাক্তা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মতম পুম্নমক্তা তাইনদুনা লৈরবসু কান্নবা পুরকপা ঙল্লোই। মীয়াম্না শান্নবগী হীরম খুদিংমক্তা নকশিন্দুনা শরুক য়ারিবমখৈ ষ্টেদিয়মশিংদা অমদি টেলিভিজনগী খুৎথাংদা য়েংবীদুনা মশান্না অদুদা শরুকয়ারিবা শান্নরোয়শিংগী পুক্লিং থৌগৎপা অমদি শিল-লাঙলিবা মীওইশিং অদুগী মতেং পাংমিন্নবা অমা তঙাইফদনা চঙলি হায়খি।

চাইনা, জপান নত্রগা নোংচুপকী লৈবাকশিংদা য়াম্না চাওবা কম্পিটিসন নত্রবসু অমা হেক্তা পাঙথোকপা মতমদা ষ্টেদিয়মদা মীয়াম লাকপগী চাং অদু ইন্দিয়াদা পাঙথোকপগা য়াম্না খেৎনৈ। ইন্দিয়াদা মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা শান্নবা য়াওবা লাকপা মতমদা তিনখিবা ভাবক্কি মশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনা চাং য়াম্না নেল্লি।

নুমিৎ মঙানিগী মমাংদা লৈঙাক্না মলাখম্ব, থাঙ-তা অমসুং যোগসনা মশান্নবু খেলো ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা য়াওহনখিবগা লোয়নননা স্কোলার্সিপ ফংহনবগী থবক লৌখৎখ্রবনি। মসিদসু নত্তনা লৈবাক অসিদগী হৌখিবা মশান্না অমা ওইরিবা কবাদ্দিবু ওলিম্পিক গেমসতা য়াওহন্নবগী লম্বেল থিদুনা লাকখিবনি।

মসিদসু নত্তনা কমজা ২০২১গী নীংথমথা মতমদা ইন্দিয়াদা মালেমগী ওইনা ইহান হানবা যোগসনা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লনবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তাখিবদা ইন্দিয়াদা অহেনবা কম্পিটিসন কয়া অমা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা অদু লৈ হায়খি। শান্নরোয়শিংবু চাওনা মতেং পাংফম থোকই হায়নসু থমখি।

# ভিনেশ ফোগটকী হঙ্গেরি অমসুং পোলেন্দগী কোচিং অয়াবা পীখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৫(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা রেষ্টলর ভিনেশ ফোগটতা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টি ও পি এস)গী মখাদা নুমীৎ ৪০নিগী ওইবা হঙ্গেরি অমসুং পোলেন্দদা চত্থগদবা কোচিং কেম্প অদু অয়াবা পীখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ২৮দগী জন্যুৱারী ২৪ ফাওবা হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা লৈবা বাসাস স্পোর্টস ক্লবতা কোচিং কেম্প অসিগী অহানবা শরুক অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। মদুগী মতুং জন্যুৱারী ২৪দগী ফেব্রুৱারী ৫ ফাওবা পোলেন্দদা লৈবা সিজর্গকী ওলিম্পিক ট্রেনিং সেন্টরনা মখা তানা ট্রেনিং অমুক চত্থগনি হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱাফম অমনা খঙহল্লক্লি।

রেষ্টলর ভিনেশ ফোগটনা হঙ্গেরি অমসুং পোলেন্দগী নুমীৎ ৪০নিগী ওইবা কোচিং কেম্প অদুদা মহাক্কী পর্সনেল কোচ ৱোলর অকোস, স্প্যেরিং পার্টনর প্রিয়াঙ্কা ফোগট অমসুং ফিজিওথেরাপিষ্ট পুর্ণিমা রামন ঙোমদিরসু কোচিং কেম্প অদুদা শরুক য়াগদৌরি। মরুওইনা কোচ অকোসনা মহাক্কী কোচিং কেম্পকী মফমশিং অদু খনখিবনি।

# ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা হিমাচল প্রদেশকী স্পিটি ভেলিনা লৈবাক অসিগী আইস হোক্কি টুর্নামেন্টকী য়ূম্থু ওইননবা শেম শাখ্রে

সিম্লা, দিসেম্বর ২৫(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস পুৱারীদা অহানবা ওইনা হিমাচল প্রদেশকী কোনুং সিম্লাগী মনুং চনবা মফম অমদা লৈবা স্পিটি ভেলি হায়না খঙনরিবা অদুগা ইন্দিয়াগী কোল্ড দেসার্ট অমনি হায়না লৌনরিবা মফম অসিদা আইস হোক্কি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা অহানবা নেসনল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ওফিসল ওইবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

আইস হোক্কি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি হর্জিন্দর সিংহনা ন্যুজ এজেন্সী অমগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা কুমজা ২০২১গী জনুৱারী ২৭তগী হৌরগা চহী ২০ মখাগী আইস হোক্কি টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা টুর্নামেন্ট ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

হিমাচল প্রদেশকী কোনুং সিম্লাদগী কিলোমিটর ৩৫০ চৎলগা লৈবা কজা টাউন্দা আইস হোক্কি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি হর্জিন্দর সিংহনা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং কেম্প অমা হৌদোকপগী থৌরম শরুক য়াবা লাকখিবনি।



হিমাচল প্রদেশ লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চয়োল অসিদা মিটর ৩১ অমসুং মিটর ৬১গা পাক-শাংবা মফম অদুদা আইস হোক্কি শান্নবগী অয়াবা অদু পীদুনা এসোসিএসন্দা শিন্নখিবনি।

মফম অসি ইন্দিয়াগী ওইনা সমুদ্রগী লৈমায়দগী খ্বায়দগী ৱাংবা মফম অমা ওইনা মিটর ৩,৭২০দা আইস হোক্কি শান্নফম অসি শেল্লিবনি। মফম অসি নিংথমথাগী মতমদা সেলসিয়স দিগ্রি মাইনস ২০ ফাওবা লৈদুনা আইস হোক্কি শান্নবা য়াবগী য়াম্না খুদোংচাবা মফম অমা ওইরিবনি।

আইস হোক্কি এসোসিএনস ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি হর্জিন্দর সিংহনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা কজা টাউনগী স্পিটি ভেলি অসি চহী অমদা ঊননা থা ৫ হেন্না কুপশিন্দুনা লৈবা মরম্না আইস হোক্কি শান্নবা য়াবগী অচৌবা খুদোংচাবা লৈ হায়খি। মফম অসিদা লাক্কদৌরিবা চহী খরা অসিদা স্কিইং মশান্না অসি হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী হেনগৎতুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওইশিংনা শরুক য়াবা য়ান্ননবগী খুদোংচাবা কয়া অমসু পীবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা চহী ৮দগীনা ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংনা আইস হোক্কিগী কোচিং য়াওদুনা লৈরি। হায়রিবা কোচিং য়াওরিবা নহাশিং অসিগী মনুংদগী খরা হেন্না হৈথোই-শিংথোইবা খরবু গুলমার্গতা লৈবা সেন্টরদা অহেনবা এদভান্স ওইবা ট্রেনিং চত্থননবগীদমক মশকমমিং খঙদোকপা লোয়খ্রে হায়না আইস হোক্কি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি হর্জিন্দর সিংহনা মখাতানা ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা ষ্টেট অদুদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর জিৱন নেগিনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখিবদা হন্দক কজা টাউনদা পাঙথোক্লিবা ট্রেনিং কেম্প অসি মপুং ওইনা অনীরকশুবা ট্রেনিং কেম্পনি। হৌখিবা চহীদা টেন্নিস কোর্ট অমা আইস হোক্কি রিঙ্ক শেমদোক্তুনা এক্সপরিমেন্ট ওইনা পাঙথোকখিবা তাঞ্জানি। অদুবু মতম অদুদগী হৌজিক ফাওবদা লাক্লিবা রেস্পোন্দ অসিনা মখাতানা ট্রেনিং কেম্প পাঙথোক্তুনা হৌজিক মহৈরোয় ১৬৫না ট্রেনিং কেম্প চত্থরি হায়না নেসনল কোচ ওইরিবা অমিট বর্ৱালনা ফোঙদোরকখি।

মফম অদুগী য়ুঠ সার্ভিসেস অমসুং স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ইন্সট্রক্টর ওইরিবা ওলিম্পিয়ান স্কালঝাং দোজেনা ফোঙদোকখিবদা স্পিটি ভেলি অসি ৱিন্টর গেমসকী অশেংবা মফম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ফিফানা ২০২৩ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী স্লোট লাউথোকখ্রে

পেরিস, দিসেম্বর ২৫(এজেন্সী):
কুমজা ২০২৩দা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা পূন্না য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল কনফিদরেসনশিংগী স্লোটশিং অদু লাউথোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা য়ূম্থু ওইখিবনা মখোয়না শরুক য়ারম্বা কনফিদরেসন ওইখিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন অমসুং ওসিনিয়া ফুটবোল কনফিদরেসনদগী স্লোট অমমম্ লৌথোকখি। ফিফা কাউন্সিলগী ব্যুরোনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৯দা মায় পাক্লা ৱিমেন্স ফিফা ৱর্ল্ড কপ পাঙথোকপা ঙমখ্রবা মতুং মখা তারকপা কুমজা ২০২৩গী ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবা টিমগী মশীং য়ামখৎতুনা ৩২ য়ৌহনখি।

এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী পূন্না টিম ৬কী স্লোট (মশীং) ফংলি। য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী স্লোট ১১, কেরিবিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী স্লোট ৪, কোন্টাকেভতগী স্লোট ৪, কোনমেবোলদগী স্লোট ৩ অমসুং ও এফ সীদগী স্লোট অমনি। দাইরেক্ট স্লোট ২৯ অসিদগী লেমহৌরিবা স্লোট অহুম অদু টিম ১০না তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল কনফিদরেসনশিং অসিগী মরক্তা প্লে ওফ টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্তুনা স্লোট অহুম অদু খনগদৌরিবনি।

এ এফ সী, কোনকাকেভ, সী এ এফ অমসুং কোনমেবোলদগী প্লে ওফকী স্লোট ২/২ লৈগদৌরি। অদুগা ও এফ সী অমসুং য়ুরোপিয়ন ফুটবোলদগী স্লোট অমমম্ লাক্কদৌরি। স্লোট অহুমগীদক্তা প্লে ওফ টুর্নামেন্ট শান্নগদৌরিবা অসিদা ফিফানা পীবা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং অদুগী মখা পোন্না শরুক য়াগনি।

মরক অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা নুপাগী চহী ২০ মখাগী অমসুং চহী ১৭ মখাগী ৱর্ল্ড কপশিং অদু কেন্সেল তৌখি।

# কুমজা ২০২১না ঐহাক্কী গেম চেঞ্জিং ওইবা চহী ওইরগনি : সাথিয়ান গনসেখরন

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৫(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান টেবল টেন্নিস শান্নরোয় ওইরিবা সাথিয়ান গনসেখরননা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২১না মহাক্কী ওইবা করিয়রদা গেম চেঞ্জিং ওইবা য়াবা চহী অমা ওইরগনি হায়না অচৌবা ৱাখল্লোন থমখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিদা টোকিও ওলিম্পিক্স পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী অকনবা মওংদা ক্বালিফাই ওইননবা হোৎনখ্রবসু কোভিদ-১৯ লাইচৎনা য়ৈথোকখিবা মরম্না খূদোংচাদবা কয়া অমা লৈখ্রবসু কুমজা ২০২১দা অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা য়ৈথোকখ্রবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা ক্বালিফাই ওইদুনা ইন্দিয়াগী ওইবা টেবল টেন্নিস মশান্না অসিদা ওলিম্পিক্সকী মায়কৈদা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্নবা হোৎননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।



মশাগী চহী ২৭ শুরবা সাথিয়াননা ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়ানবা চপ চানা শেম শারি। হৌখিবা চহী ২/৩ অসিদা সাথিয়াননা শরুক য়াখিবা তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনল টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংদা ফজবা ঙম্লকপদগী ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াদুনা অহানবা খোঙথাং ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবগী পান্দম থল্লি।

হৌজিক-হৌজিক সাথিয়ান গনসেখরন জপানদা লৈবাক অদুগী ওইনা টেবল টেন্নিস লীগ পাঙথোক্লিবা অদুদা শরুক য়ারি। মহাক্না জপানগী মকোক থোংবা টেবল টেন্নিস শান্নরোয়শিংগা শান্নবা ঙল্লি। জপানগী এক্সপরিয়েন্স অসিগী মাংওইননা মহাক্না য়ুরোপতা লীগ টুর্নামেন্ট অমসু শরুক য়াবা ঙমখি। মহাক জপানগী টি-লীগ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবা চহী অসিগী নবেম্বর ২৩দা ইন্দিয়া থাদোকখিবনি। থা অসিগী ১০দগী হৌখিবা লীগ অসি লোইরবা মতুং মহাক ইন্দিয়াদা হল্লক্তুনা মখা তাবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াননবা শেম শানবা হোৎনগনি। মার্চতগীনা জুন থা ফাওবা মিদ্দল ইষ্ট চাইনা অমসুং য়ুরোপতা শান্নগদৌরি।

# বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিস বিয়ররশিংগী মতম শাংদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৫(এজেন্সী):
বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা হৌজিক-হৌজিক ওফিসকী থবক থৌরমশিং পুরিবা মীওইশিংগী মতম অদু থা ৩ শাংদোকখ্রে। লোয়নননা ওফিসলশিং অদুনা পায়রিবা ফমশিং অদুগী মীখল মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী ঙরাং অথেংবদা লেপখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না অনীরকশুবা ওইনা ফেদরেসন অসিগী ওফিসকী থৌ পুরিবা ওফিসলশিং অসি মরুওইনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা মীখল পাঙথোকপা য়াদবা মরম্না থা ৩ শাংদোকখিবনি।

ঙরাং ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ইমর্জেন্ট জেনরেল মীটিংদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা অজয় সিংহনা লুচিংদুনা রিজোল্যুসন অসি পাস তৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী থৌ পুরিবশিং অসিগী ফমশিং অদু মমাংদা লেপখিবা মতমদা সেপ্টেম্বরদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু থা ২ য়ৈথোক্লগা দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না অমুক মতম লেপ্লখিবনি।

ঙরাংগী মীফম অদুনা চৎলিবা থা অসিদসু মীখল পাঙথোকপা য়াদবগী তাঞ্জা লাকপা মরম্না মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা তোঙান-তোঙানবা ফেদরেসন অসিগী ফমশিংগীদমক্তা মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ঙরাংগী ফেদরেসনগী ইমর্জেন্ট জেনরেল মীটিং অদুগী ৱারেপ ওইখি।

মীফম অদুদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মীহুৎশিং খক্তা নৎতনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা এফিলিএট তৌবা য়ুনিটশিংসু শরুক য়াখি। ফেদরেসননা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী এফিলিএসন ফংননবা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# বিস্বানাথন অনন্দনা শান্নরোয় অমা ওইবগী করিয়রদগী থৈদোক্লগা একাদেমি হাংদোক্কদৌরি

চেন্নাই, দিসেম্বর ২৫(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী চেছ মশান্নগী ওইনা লেজেন্দ ওইরবা মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন কয়ারক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দনা শান্নবগী লম্‌দগী থৈদোক্লগা মহাক্কী করিয়রদা বেঙ্গলুরুদা বেজ তৌবা ইনভেষ্টমেন্ট ফার্ম ৱেষ্টব্রিজগা খূৎশম্নদুনা ৱেষ্টব্রিজ অনন্দ চেছ একাদেমি হাংদোক্তুনা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া অমবু মালেমগী থাক্তা মকোক থোংবা ঙম্ননবা হোৎনননবগী পান্দমদা খোঙ থাংজিল্লক্লি।

একাদেমি অসিগী অহানবা বেটচকী ওইনা আর প্রগনন্ধ, নিহাল সরিন, রোনক সধৱানি, দি গুকেশ অমসুং আর ভৈশালিবু বিস্বানাথন অনন্দনা লুচিংলগা লমজিং লমতাক্কদৌরি। কুমজা ২০১২দা বিস্বান্‌থন অনন্দনা মঙারকশুবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ফংলবা মতুং চেন্নাই এয়রপোর্ট য়ৌরকখিবদা



মহাকপু তরাম্না ওকপগী মীয়াম মরক্তা চহী ৬তা ঙাইখিবা প্রগনন্ধ য়াওখি। নীংশিংবা য়াবদি, মালেমগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা চহী ১৫ শুরবা চেছ মশান্নগী ওইনা গ্রান্দমাষ্টরশিংগী মনুংদা প্রগনন্ধসু অমা ওইরিবনি।

প্রগনন্ধনা ফোঙদোরকখিবদা, বিস্বানাথন অনন্দনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী টাইটল অদু ইন্দিয়াদা পুরকখিবা অদুগুম্না মহাকসু টাইটল অদু অমুক হন্না ইন্দিয়াদা পুরকপা পাল্লি হায়না মহাক্কী মায়কৈদগী অচৌবা মঙলান অদু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, একাদেমি অসিগী লুচিংবা ওইগদৌরিবা বিস্বানাথন অনন্দনা ফোঙদোকখিবদা, প্রগনন্ধ অমসুং নিহাল সরিনবু অহেনবা থাক্তা পুরক্লবা হোৎনবা পাম্মী হায়খি।




HL/B/6497/3/11-31/12



HL-B/6504/15-24/12


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com